

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 03, 2019 **PAGE 7**



*ৱার্ল্ড কপকী সিজন অমদা সেঞ্চুরি ৪ শুদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা অহানবা ওইবা ঙমখ্রবা রোহিট শর্ম্মা*

*ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভা*

## ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ২৮ দা মায়থিবা পীদুনা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*বিরমিংহম, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৪০শুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ২৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

৪০শুবা রাউন্দগী মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৩১৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর লোকেস রাহুল অমদি রোহিট শর্ম্মাগনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা স্কোর ১৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

ওপনর রোহিট শর্ম্মানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৯২ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ১০৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ওপনর লোকেস রাহুল বোল ৯২ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ২৭ তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ২৩৭ দা ৱিকেট ৩ তুখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ৪৮ হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্কী অপুনবা রন অদু বোল ৪১ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরমখি। নৌনা চঙলকখিবা হর্দিক পান্দিয়া রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইরিবা এম এস ধোনিনা বোল ৩৩ দা ফোর ৪ য়ৈরগারন ৩৫ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইনা ইন্দিয়ানা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৩১৪ লৌরমখি।

বাংলাদেশকী বোল্লিংদা মুস্তাফিকুর রহমননা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৫ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

বাংলাদেশনা মায় পাক্লবগী রন ৩১৫ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৪৮শুবা ওভর লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন রন ২৮৬ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ২৮ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

বাংলাদেশকী ওপনর টামিম ইকবাল অমদি সৌমিয়া সরকার মথংশিৎনা রন ২২ অমদি ৩৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন সাকিব অল হাসননা বোল ৭৪ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৬ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন মোহমদ সাইফুদ্দিনগী আওট ওইদনা রন ৫১ লৌরম্বা অসিসু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা জস্প্রিট বুমরাহনা ৱিকেট ৪ অদুগা হর্দিক পান্দিয়ানা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

| Today's Match |
|---|
| Match No. 41 |
| England vs New Zealand |
| Venue:Riverside Ground, Chester-le-Street |
| Time (in IST) : 3.00 pm |

**ICC Cricket World Cup 2019 - Points Table**

| Teams | M | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Australia | 8 | 7 | 1 | 0 | 0 | 14 | +1.000 |
| **India** | **8** | **6** | **1** | **0** | **1** | **13** | **+0.811** |
| New Zealand | 8 | 5 | 2 | 0 | 1 | 11 | +0.572 |
| England | 8 | 5 | 3 | 0 | 0 | 10 | +1.000 |
| Pakistan | 8 | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | -0.792 |
| Sri Lanka | 8 | 3 | 3 | 0 | 2 | 8 | -0.934 |
| Bangladesh | 8 | 3 | 4 | 0 | 1 | 7 | -0.195 |
| South Africa | 8 | 2 | 5 | 0 | 1 | 5 | -0.080 |
| West Indies | 8 | 1 | 6 | 0 | 1 | 3 | -0.335 |
| Afghanistan | 8 | 0 | 8 | 0 | 0 | 0 | -1.418 |

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টি অমদি মমাঙ সিজনগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জর্মনিগী করবরসু মায় পাকখ্রে



*লন্দন, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী ঝেং সাইসাইবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবরনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই টাটজানা মারিয়াবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুনিসিয়াগী ওন্স জেবিয়রবু ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

৯শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিন্সকীবু ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

১৯শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই জোহানা কোন্টানা বেলজিয়মগী অনা বোগদানবু ৭–৫, ৬–২ দা থোইরমখি। ব্রাজিলগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই বিত্রিজ হাদ্দাদ মাইয়ানা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ২৬শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ২শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি য়ু এসকী সাম ক্বেরি মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হরিসপু ৩–৬, ৬–১, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লুরবা মতুং ৬–৭(৪–৭), ৭–৬(৭–১), ৬–৩, ৬–০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই জেরদান থোম্পসনপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লুরবা মতুং ৭–৬(৭–৪), ৩–৬, ৭–৬(১২–১০), ০–৬, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

## ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিম বর্লিন আর্চরি ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

*বর্লিন, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা চথরিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিম ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিম অসিদা শরুক য়াখিবা আর্চরশিং অদুদি অতানু দাস, অতুল বর্ভ অমদি প্রভিন রামেস জাদবনি। ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিম অসিনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ১৯২৪ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিম অসিনা বর্লিন আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসিগী হয়েং পাঙথোক্কদবা ফোর্থ ষ্টেজগী অহানবা রাউন্দদা কানাদাগী রিকর্ভ টিমগা মায়োক্লগনি।

বর্লিন আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসিদা মায় পাকপা টিম ৪ না চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা মোস্কো আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলসতা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী রিকর্ভ টিমসু ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না স্কোর ১৮৫৪ স্কোর তৌদুনা ৫শুবা পোজিসন তাখি। ইন্দিয়াগী নুপী রিকর্ভ টিম্না ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা রাউন্দদা টর্কিগা লম্বা তৌগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপী রিকর্ভ টিম অসিদা শরুক য়ারিবী আর্চরশিং অদুদি দিপিকা কুমারী, বোম্বেলা দেবী লাইশ্রম অমসুং মাধু ভেদৱাননি।

ইন্দিয়াগী মিক্স টিম রিকর্ভতা বোম্বেলা দেবী লাইশ্রম অমদি অতুল ভর্মনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১২৬৮ স্কোর তৌদুনা ৫শুবা পোজিসন তাদুনা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী মিক্স টিম রিকর্ভকা লম্বা তৌনরগনি।

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংগী লাকপা আর্চর ১১ মাঙজৌননা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী আর্চর অমত্তা ফাইনেল চঙবা ঙমদ্রি। বর্লিন আর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসিগী কম্পাউন্দ ফাইনেলস থা অসিগী ৬ তা পাঙথোক্লবা মতুং রিকর্ভ ফাইনেলসনা থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্লগনি।



## অলজেরিয়া অমদি সেনেগাল গ্রুপকী মকোক মথং তাদুনা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

*কাইরো, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* ইজিপ্তনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা অলজেরিয়া অমদি সেনেগাল গ্রুপ অসিদা মকোক মথং তাদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সেনেগালনা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তারগা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা সেনেগালগী শান্নরোই ইসমেলা সারনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা সেনেগালগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি। কেনিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা গোল মাঙজিল থারিবা সেনেগালগী শান্নরোই সাদিও মানেনা টিম অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা সেনেগালগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি অমা ফংখি। পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরবা কিক অদু টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনদুনা লাকখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু সেনেগালনা কেনিয়াবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তারগা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অলগেরিয়ানা টানজানিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক ওইনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী অলজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা টানজানিয়াগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি। অদুবু মিনট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা অলজেরিয়াগী ইস্লাম স্লিমানীনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই এদাম ওনাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা এদাম ওনাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মখোয়না টানজানিয়াবু মায়থিবা পীরম্লগা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।



## ইন্দিয়াগী আনন্দ অমদি নেদরলেন্দসকী গিরি দ্রো চৎখ্রে

*জাগ্রেব, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* ক্রোএসিয়াগী সিটি জাগ্রেবতা চথরিবা ক্রোএসিয়া গ্রান্দ চেছ টুরগী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ অমদি নেদরলেন্দসকী শান্নরোই অনিস গিরিগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই বিস্বানাথন আনন্দ পুন্না পোইন্ট ২.৫ ফংলগা লৈরি। রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচচি, নোরৱেগী মেগসন কার্লসন অমদি য়ু এস এগী ৱেসলি সো পুন্না পোইন্ট ৪ / ৪ ফংমিন্নরগা অহানবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচচি ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই দিং লিরেনগী মখূত্তা মায়থিখিবদগী পোইন্ট ক্রোএসিয়া গ্রান্দ চেছ টুর অসিদা লিদর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

য়ু এস কী ৱেসলি সোসু ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা অজরবাইজানগী শান্নরোই সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোভবু মায়থিবা পীরমদুনা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা জোইন্ট টোপ্পর ওইখি।

নোরৱেগী শান্নরোই মেগনস কার্লসনসু ক্রোএসিয়া গ্রান্দ চেছ টুর অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরাবু মায়থিবা পীরম্লগা মকোক থোংবা শান্নরোই ৩গী মনুং চনখি।

য়ু এস এগী অতোপ্পা গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনাসু ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেভ মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

অরমেনিয়াগী লেভোন আরোনিয়াননা ৬শুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী শান্নরোই সর্গে কর্জাকিনবু মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট ৩.৫ ফংবা ঙমখ্রে।



## ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ফজনবা হোৎনগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ* হয়েংদগী ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌগদৌরিবা সোনগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

ইটালিগী সিটি লোনাটো দেল গ্রাদদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এস এফ চেম্পিয়ন্সিপ সোটগন অসিদা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৯ না শান্নবা স্কৱাদ থারিবনি। মসিগী মনুংদা মেম্বর ১২ দি জুনিয়র টিম্নি।

নুমিৎ ৫ নি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল ১২ লৈরি। মসিগীদমক তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা সুট্টরশিংনা মকোক থোংনবা হোৎনগদৌরি।

ওলিম্পিক্সকী কোটা ৪ লৈরিবা সোটগন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মিক্স টিম অমদি সেনিয়র স্কৱাদনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মকোক থোংনবা হোৎন্নবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

কম্পিটিসন অসি ত্রেপ ইভেন্ট অমসুং ত্রেপ ফাইনেলস ৪ দা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা সেনিয়র অমদি জুনিয়র সুট্টরশিংনা অনীশুবা নুমিৎতা লম্বা তৌনগনি।

আই এস এস এফ চেম্পিয়ন্সিপ সোটগন অসিগী সেনিয়র অমদি জুনিয়র মিক্স ত্রেপ ফাইনেলসনা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কনি।

**ক্রোসৱার্দ ২০৭ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | D | G | E | ■ | A | L | A | S | ■ | A | T | O | M |
| A | R | I | E | S | ■ | M | I | N | E | ■ | R | O | B | E |
| T | E | E | N | S | ■ | E | V | E | N | ■ | S | N | O | W |
| H | A | S | T | E | ■ | N | E | M | O | ■ | E | Y | E | S |
| ■ | ■ | ■ | E | N | E | ■ | ■ | I | R | O | N | ■ | ■ | ■ |
| R | A | C | E | C | A | R | ■ | C | A | N | A | S | T | A |
| A | T | H | L | E | T | I | C | ■ | ■ | A | L | T | A | R |
| T | O | E | ■ | ■ | S | M | E | A | R | ■ | ■ | A | L | E |
| E | N | A | C | T | ■ | ■ | E | M | I | S | S | I | O | N |
| D | E | T | R | A | C | T | ■ | A | N | T | E | N | N | A |
| ■ | ■ | ■ | U | T | A | H | ■ | ■ | G | Y | M | ■ | ■ | ■ |
| P | R | O | S | ■ | N | E | W | S | ■ | L | I | E | N | S |
| L | I | M | A | ■ | A | S | I | A | ■ | I | N | L | A | W |
| U | S | E | D | ■ | D | I | N | G | ■ | S | A | L | S | A |
| G | E | N | E | ■ | A | S | E | A | ■ | T | R | E | A | T |